HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ঙসি পাঙথোক্কদবা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংগী শেংলবা ইদ-উল-জুহাগী কুম্মৈগা মরী লৈননা ওল ময়াং ইম্ফাল হোকর য়ুনিয়নগা হোকর এম দি অফজাখানদা শেলগী তেংবাঙশিং খুৎশিন্নখিবা

‘ইস্লাম লাইনীং চৎপা মীওই পুম্নমক্কী খ্বাইদগী শেংলবা কুম্মৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ‘ইদ-উল - জুহা’ লাকপদা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সগী মায়কৈদগী লাইনীং অসিবু চৎলিবা মীয়াম মরু ওইনা মণিপুরগী মীতে পাঙলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীজরি’

পোজিটিভ ওইরকপদগী কারন্টিন তৌদুনা লৈখ্রবা কোমলাথোং আউট পোষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী রিজর্ভ লাইনগী ভি দি এফ পর্সনেল অনীগী ইমুংদা ভি দি এফ এসোসিএসন্না চান-থক্নবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবা

Vol. 45, Issue No. 116 য়ূমশকৈশা, ইঙেনগী ১২নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ১০ HUEIYEN LANPAO Wednesday, July 21, 2021, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

ইদ-উল-জুহাগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): মহৌশাগুম্না হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংগী ‘ইদ-উল-জুহা’ কুম্মৈগী মাঙওইননা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুল্লা য়াওনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংগী মায়কৈদগীসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

য়াইফ পাউজেলগী চেরোল অমদা ডা. নাজমা হেপতুলানা হায়, ইদ-উল-অধা, ফেষ্টিবেল

...মখা লামায় ৩ কলম ২

চীং নীংখাইবদা ট্রক ১ অমাঙ-অতা থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস): নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা ঙসি সিমেন্ট পুদুনা চঙলকপা ট্রক অমা তৌসেম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নুঙ দলাল ময়াদা খঙহৌদনা চীংদগী নুঙজাউ তারকপদগী ট্রক অমা অমাঙ-অতা থোকখিবনি হায়রি।

ট্রক অদুগী বোদি অমদি ওইথংবগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

এম য়ুগী মাষ্টর কোর্স (ফর্ষ্ট সেমিষ্টর)শিংগী ওনলাইন এদমিসন

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর দল্লিয়ু চান্দবাবুনা ঙসি থোকখিবা এদমিসন নোটিশ অমগী মতুংইন্না মহৈকোল অসিগী এম এ/এম এস সী/এম কোম/এম সীএ/এম এল আই এস/এম পি ঈ এস/এল এল এম/এম এফ এ (ফর্ষ্ট সেমিষ্টর) দা ওনলাইন এদমিসন তৌবগী থবক হৌরগনি হায়রি।

একাদেমিক সেসন ২০২১-২২গী ওইনা ওনলাইন এদমিসন তৌগদৌরিবা সবজেক্টশিং অদুনা এদল্ট কন্টিন্যুয়িং এদ্যুকেসন এন্দ

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.৩২ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.৮৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৮৩
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৪

HL Poll

Q: Covid-19 pandemicki second wave mayoknaringeigi cheirakta politicalgi charangnaba thokhallakpa achumba khongthang oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Athingbasinggi maraktagi anouba thabak thouramsing komthokhallakpana total curfewgi wahanthok leihallakloidra?

Yes 86% No 14%

অস! লোইরেহে!



- সর, ঐ মাস্ক উপ্পা কাউরে।
- ঐগীদি তাহৌবনি।

ইম্ফালদগী জিরিবাম ফাওবা পুং ২ ফাদনা য়ৌহনগদৌরিবা ত্রেন কৈদৌঙৈ মঙফাওনগনি

● নবেম্বর ২০২২ অমসুং দিসেম্বর ২০২৩দা লোইশিন্নবা টার্গেট তৌরিবা অরোইবা ফেজ অনীগী থবকশিং মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমগদৌরিব্রা

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী (এন ঐচ-৩৭) দা মফম অনীসিগী মরক্তা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা হৌজিক য়ামদ্রবদা পুং ৮দগী ৯ ফাওবা চঙলিবা অসিগী মহুত্তা শুপ্নতগী পুং ২ ফাদনা অপূনবা কিলোমিটর ১১০ শাংগদবা জিরিবাম-টুপুল-ইম্ফাল রেলৱেগী লম্বী অসিগী অপূনবা ফেজ মরিগী মনুংদা অহানবা অমসুং অনীশুবা ফেজ লোইশিল্লে হায়না লৌবা য়ারগসু ৱাৎহৌরিবা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা অরোইবা ফেজশিং অসিগী লোইশিন্নবগীদমক থম্লিবা টার্গেট অসিগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে।

ৱাহং অসি হৌজিক ষ্টেট অসিদসু কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভকী খম থেংলবা চৈথেং মায়োক্লবা অমসুং লায়না অসিগী মায়োক্তা অকনবা থবকশিং লৌখৎলকপগী মনুং চন্না কর্ফিয়ু/টোটেল কর্ফিয়ু অমদি কন্টেনমেন্ট/মাইক্রো কন্টেনমেন্ট জোননচিংবগী অথিংবশিং থম্লক্লিবা অসিদগী থোরকপনি।

লায়না অসিবু মায়োক্লনবগীদমক মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থা অসিগী ১৮দগী ষ্টেট অপূম্বদা নুমিৎ ১০নিগী টোটেল কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমজিনখ্রবসু ঙরাং থোরকখিবা চীফ সেক্রেটরিগী চেরোল অমদগী রেলৱে প্রোজেক্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদি কোমথোক্কনি হায়রকখি। অদুম ওইনমক হৌজিক রেলৱেগী লম্বী অসিগী মথৌ তাবা থবকশিং লোইশিন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা এজেন্সী ২০ হেনবগী শিন্মীশিংনা রেলৱে লাইন অসিগী মফম ৬০ হেনবদা শূরক্লিবা থবকশিং অসিদা শিন্মীশিংনা থবক শূবদা অপনবা পীদ্রবসু মখোয়গী থবক্তা মথৌ তাবা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌবদদি খুদোংচাদবা মায়োক্লরক্কদ্রা হায়বগী ৱাফম থোরক্লে।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী কোমথোরক্লগসু থবকশিং অসিদা এনগেজ তৌরকপা লোকল লেবরশিংদি মখোয়গী মফমশিংদা কন্টেনমেন্ট জোননচিংবা লাউথোরক্লগদি তঙাইফদনা থবক লেপ্পগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

অপূনবা কিলোমিটর ১১০ শাংগদবা জিরিবাম-টুপুল-ইম্ফাল রেল লম্বী অসি মতুপ মরি থোক্লা খাইদোক্লগা শেমগৎ শাগৎপগী থবক হৌরকখিবনি। অহানবা শরুক্তা কিলোমিটর ১১.৮ শাংলিবা ফেজ ৱানগী মনুং চন্না জিরিবামদগীনা ভঙ্গাইচুংপো ফাওবগীনি। অনীশুবা ফেজগী শরুকনা ভঙ্গাইচুংপোদগীনা খোঙশাং ফাওবগী কিলোমিটর ৪৪ শাংবগী শরুকনি অদুগা অহুমশুবা ফেজনা খোঙশাংদগীনা টুপুল ফাওবগী কিলোমিটর ২৯গী শরুকনি অদুগা অরোইবা রেলৱে লাইন অসিগী মরিশুবা ফেজগী শরুক্না টুপুলদগীনা ইম্ফাল ফাওবগী কিলোমিটর ২৬ শাংবা লম্বীগী শরুকনি।

তোঙান-তোঙানবা পোর্সন মরি অসিগী মনুংদা য়াম্না ঙন্না জিরিবামদগীনা ভঙ্গাইচুংপো ফাওবগী কিলোমিটর ১১.৮ খক্তমক শাংবা অহানবা ফেজগী থবক থৌরমশিংদি মপূং ফানা *...মখা লামায় ৩ কলম ৫*

সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস) : সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমসুং জষ্টিস এম আর শাহনা ঙরাং ইরেন্দ্রো লৈচোম্বমবু নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা থাদোক্কদবনি হায়দুনা পীখিবা ইন্টরিম ওর্দরগী মতুংইন্না মণিপুর সেন্ত্রেল জেল শজিৱাদগী থাদোকখ্রবসু ঙরাং এপেক্স কোর্ট অসিনা মহাকপু এন এস এদা দিটেন তৌবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরক্লিবা কেস অসিগী হিয়ারিং ঙসি পাঙথোক্কনি হায়খিবগী মতুংইন্না ঙসি পাঙথোক্লদুনা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিং ওইবদা য়াওরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং অতোপ্পা ওফিসল অমগী মথক্তা চয়োল অনীগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে।

ইরেন্দ্রো লৈচোম্বমবু মে ১৭, ২০২১দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট টি ঐচ কিরনকুমারনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না নুমিৎ অদুদগী নেসনল সিক্যুরিটি এক্ট (এন এস এ) দা দিটেন তৌদুনা থম্লকখিবনি। অদুবু দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী দিটেন্সন ওর্দর অসিবু মহাক্কী অপোকপা এল রঘুমনিনা পিটিশ্নর ওইদুনা এপেক্স কোর্ট অসিদা রিট পিটিসন (ক্রিমিনেল) নম্বর- ২৬৬ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরকখিবনি।

লোয়ননা ঙরাং মখা তানা কেস অসি সুপ্রিম কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরকপদা ইরেন্দ্রোবু কেস অসিগী ইন্টরিম ওর্দর অমা পীদুনা থাদোকহল্লগা ঙসিনা কেস অসিগী মপূং ওইবা হিয়ারিং চথনবগী মতম লেপখিবনি।

ঙরাং লেপখিবগী মতুংইন্না ঙসি মেট্টর অসি কোর্টনা লৌখৎলকপদা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া টুসর মেহতাগী মায়কৈদগী ঙরাং কোর্টঅসিনা পীখিবা ইন্টরিম দিরেক্সন অদুগী মতুংইন্না ইরেন্দ্রো লৈচোম্বমবু এন এস এদা দিটেন তৌবগী ওর্দর অদু রিভোক তৌরদুনা মহাকপু থাদোকখ্রবনিনা কেস অসি ক্লোজ তৌবা য়ারে হায়বা ৱাফম কোর্টতা পুখৎলকখি।

সোলিসিটর জেনরেলগী ৱাফম অসিদা কেস অসিগী পিটিশ্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা ফাইল তৌরক্লিবা কেস অসিনা প্রেয়র তৌরক্লিবসি ৱাফম অনীনি। অহানবা ৱাফমনা মরম চাদনা মহাকপু এন এস এদা দিটেন্সন তৌবগী ওর্দর অদু কককথৎপীয়ু হায়বা অমা অদুগা অতোপ্পা প্রেয়র অমনা মহাকপু এক্ট অসিগী মখাদা মরম চাদনা দিটেন্সন তৌবগীদমক মঙোন্দা পীফম থোকপা কম্পেন্সেসন পীহনবীয়ু হায়বসিনি হায়খি। *...মখা লামায় ৩ কলম ৫*

বি জে পিগী বোলেরো হুরানখিবা মীওই ১ ফারে, পুলিস রিমান্দ লৌখ্রে, গাড়ী ৭ ফাগৎলে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি হেদ ওফিসকী অঙৌবা মচুগী বোলেরো - এম এন ০-১/এক্স-০৪৩৪ (চেসিস নম্বর এমএ১পিএস২জিঐচকেএ২জে৭৮৭২৬, এঞ্জিন নম্বর - জিঐচ এ৪জে৭০৮৩৭) হুরানখিবগী মায়োক্তা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিস সেক্রেটরি কে ঐচ রাধাকিশ্বর (৬৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ ধনচন্দ্র ক্বাকৈথেলদা লৈবনা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না সিটি পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎখিবা কেস অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মখল কয়াগী গাড়ীশিং হুরানখিবগী মায়োক্তা লৌখৎপা কেসশিংদা চেন্নবা মীওই ১ ফাগৎলগা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে। লোয়ননা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

পার্লিয়ামেন্ট প্রোসিদিংদা অপনবা পীরকপবু সী এমনা কন্দেম তৌখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস): ঙরাংদগী হৌখিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমগী প্রোসিদিংদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী অপনবা পীরকখিববু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কন্দেম তৌখ্রে।

...মখা লামায় ৩ কলম ১

গোবিন্দাসনা রিজাইন তৌখিবদগী থোক্লক্লিবা চরাংনবশিং য়েংশিন্নবা ভক্ত চরন দাস ঙসি লাক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): টর্ম কয়ারক বিষ্ণুপুর এ সীগী এম এল এ ওইরক্লবা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী প্রসিদেন্টফমদগী রিজাইন তৌখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেস পার্টি মনুংদা অমদি পোলিটিকেলগী ওইবা চরাংনবা থোক্লক্লিবশিং অসি য়েংশিন্নবা এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জ ভক্ত চরন দাস হয়েং ইম্ফালদা লাক্কদৌরি।

হীরমসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউনা হায়, ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (এ আই সী সী)গী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগী পাউতাক মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা হৌজিক থোক্লিবা পোলিটিকেলগী চরাংনবশিং অসি য়েংশিন্নবা অমদি এম পি সী সীগী লুচিংবশিং উননবা মণিপুরগী ইন-চার্জ ভক্ত চরন দাস হয়েং অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা ইম্ফালদা থুংলরগনি। মহাক্না ইম্ফালদা থুংলরবা মতুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি) গী লুচিংবশিং, এম পি সী সীগী থৌপুবশিং অমদি এম এল এ কয়াগা উনদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী মতাংদা কুপ্পা খন্নগনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীদা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মহাক এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ওইবদগী রিজাইন তৌজরে হায়বা অইবা চেরোল পীশিনখ্রবা মতুং অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এম পি সী সীগী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খনবগী ৱাফম লৈত্রি।

অমরোমদা, এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম য়াওনা কোংগ্রেসকী এম এল এ ৮ বি জে পিদা য়াওরবা য়াই হায়না তোঙান-তোঙানবা সোর্সশিং পল্লদুনা নেসনল মীদিয়াশিংদা রিপোর্ট তৌরি। অদুমকপু হায়রিবা ৱাফম অসি কদায় ফাওবা চুমগদৌরিবনো হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা কনা অমত্তনা হায়বা ঙমদ্রি। এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী মায়কৈদগীসু মহাক্না এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ফমদগী রিজাইন তৌখিবা অসিগী মতাংদা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা মীদিয়াদা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

আউটরদা চল্লিবা এ সী ৮ ইন্নরদা চলহন্ননবা লৈশেম্বা সনাজাওবনা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীখক্কী মনুংদা অমা ওইরিবা ২-আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈরক্লিবা তম্পাক্কী এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮ লৌথোক্তুনা ১-ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা চলহন্ননবা রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা পুখৎখ্রে।

ঙরাংদগী হৌদুনা চথরিবা পার্লিয়মেন্টকী নোংজু মীফম অসিগী ঙসি নীনি চনবা নুমিত্তা রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা তম্পাক্কী এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮বু ১-ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা চলহন্ননবা ৱাফম অসি স্পেসল মেন্সন তৌরদুনা পুখৎখিবনি।

হায়রিবা ৱাফম অসি পুখৎলদুনা মহাক্না হায়খি, মণিপুরগী ওইনা অপূনবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬০ লৈ অমদি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ২ লৈ। পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অনী অদুদি ১- ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমসুং ২- আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৫২ দগী সেদ্যুল্দ ত্রাইব (এস টি) গী রিজার্ভ সিট ওইনা লৈরক্লিবা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮ হায়বদি হৈরোক, ৱাংজিং তেন্থা, খাঙবোক, ৱাবগাই, ককচিং, হিয়াংলম, শুগু অমসুং জিরিবাম এ সী য়াওরিবনি। হায়রিবা সিট অসি এস টিগী রিজার্ব ওইনা লৈবা মরম্না মফম অসিদা খুন্দারিবা এস টি নত্তবা ভোটর লাক্ষ ৩ হেনবদা মীখল থেংনবা য়াবগী দেমোক্রেটিক রাইটস পীবিদনা ভোট থাদবা থক য়াহন্দুনা হৌখিবা চহী ৬৮ লোম অসি নমথবীদুনা লাক্লি। মরম অসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না হায়রিবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮ অসি আউটর মণিপুরদগী লৌথোকপীরগা ইন্নরমণিপুর এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা হাপচিনবীনবা হাউসকী খুথাংদা লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিনখি।

পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১১২৭ থেংনরে, ফর্ষ্ট দোজগী হীদাক কাপ্পবা ৪ য়াওনা মীওই ১৭ শিরে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৭তা নুংতিগী থেংনবা অনৌবা পোজিটিভ কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ১১৭১ থেংনখ্রবা মতুং থা অসিগী ১৮দগী নুমিৎ ১০নিগী ওইনা চথরক্লিবা টোটেল কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লকখিবদগী থা অসিগী ১৮দা পোজিটিভ কেস মশীং খরা হন্থরক্তুনা ৯৬৩ অমসুং ঙরাংনা পোজিটিভ কেস মশীং ৭৭৪ থেংনখ্রবা মতুংদা ঙসিদি অমুক নৌহৌননা ঙরাংদগী খংহেন হেনগৎলক্তুনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস মশীং ১১২৭ থেংনখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীওই ১৭কী পুন্সি মাঙহনখ্রে।

ঙরাং ফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৪০৯ শুরে

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুংথিল থোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১১২৭ (জেনরেল পোপ্যুলেসনগী - ১১১২, নুপা ৫২৬, নুপী ৫৮৬ অমসুং সী এ পি এফকী পর্সনেল ১৫) থেংনরে হায়রি।

পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা মফমশিংনা রিমস - ২৪, জেনিমস ৬২, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৭৫৯ অমসুং অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা ২৮২ থেংনখিবনি হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ ওইখ্রবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট - ৩২১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩৫০, থৌবাল ৭৮, বিষ্ণুপুর ৯০, ককচীং ৭৬, উখ্রুল ৫, চুড়াচান্দপুর ১০০, চান্দেল ২২, সেনাপতি ১০, তমেংলোং ১৪, তেংনৌপল ১০, জিরিবাম *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

তমেংলোং অমসুং সেনাপতি দি এল এস এশিংনা ওনলাইন এৱ্যেয়ার্নেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : তমেংলোং অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টশিংগী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) শিংনা শীন দুনা তোঙান-তোঙানবা টোপিকশিংদা ওনলাইন লিগেল এৱ্যেয়ার্নেস কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে।

দি এল এস এ তমেংলোংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুগী টোপিকনা ‘রোল ওফ পি এল ভি, লোকল ক্লবস ইন আইদেন্টিফায়িং দি পোটেন্সিএল দ্রগ য়ুজরস, পের্টর্ন এমোং দি লোকল য়ুথ এন্দ ষ্টেপস ফোর প্রিভেন্সন ওফ রিহেবিলিটেসন’ হায়বসিনি।

প্রোগ্রাম অসিদা জুদিসল ওফিসরশিং, পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়রশিং, পুলিস পর্সনেলশিং অমসুং তমেংলোংগী লোকল ক্লবশিংনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অদুগী অহৌবদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি এল এস এগী চেয়রমেন অরিবম গুনেশ্বরনা প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবশিংবু তরাম্না ওকখি অমসুং ঙসিগী টোপিক অসিগী মরমদা পাঙথোক্লিবা প্রোগ্রাম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল ফোঙদোকখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা দ্রগ য়ুজরশিং অমসুং দ্রগ ত্রাফিক্করশিংগী খেন্নবশিং খন্দোকপগী মরু ওইবশিংগী মতাংদা পুলিসনা অখন্ননা থৌদাং লৌগদবনি হায়খি।

প্রোগ্রাম অসিদা কম্যুনিতি নেটৱর্ক ফোর এম্পৱারমেন্ট (কোন), মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নলিনিকান্ত রাজ কুমারনা রিছোর্স পর্সন ওইনা ৱা ঙাওখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা দ্রগশিং ফংলিবা অসিগী মপূং ওইবা মরম অহুম খাইদোক্তুনা পনখি। অহানবদা মণিপুরদা দ্রগশিং ফংবগী মরমশিংগী মনুংদা অমনা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গলগী লৈবাককশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ম্যান্মারগা য়ুমথংনরুবদগীনি। অনীশুবা মরমনা ফার্মাসিয়ুটিকেল কম্পেনিশিংনি অদুগা অহুমশুবা মরমনা পোপি প্লান্টেসনগী কলচর অসিননি হায়খি।

লোয়ননা রিছোর্স পর্সননা দ্রগ য়ুজরশিংবু ক্রিমিনেলাইজ তৌবগী মহুত্তা অতোপ্পা পেসেন্টশিংগুম্না মখোয়দা পীফম থোকপা ত্রিটমেন্ট *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

রাজ ভবনগী পোষ্ট ৫গী রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : রাজ ভবন ইম্ফালগী গভর্ণরস সেক্রেটেরিএটতগী থোরকপা নোটিফিকেসন নম্বর জি এস এম/ইষ্টাব্লিসমেন্ট-২/২০২০গী মতুংইন্না সেক্রেটেরিএট অসিগী এদিসনেল ভেকেন্সিশিংগী তোঙান তোঙানবা পোষ্ট ৫ মেনশিন্নবা দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্কনি হায়রি।

এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জশিংনা স্পোন্সর তৌরকপগী মতুংইন্না টেম্পররি বেসিসতা রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্তুনা মেনশিনগদবা পোষ্টশিং অদুনা ওফিস এসিস্টেন্ট ১ (গ্রেজুয়েট নৎত্রগা মান্নবা), দ্রাইভর ১ (ক্লাস টেন পাস তৌবগা লোয়ননা চহী ৫গী দ্রাইভিং এক্সপরিএন্স), কুক ১ (ক্লাস টেন পাস তৌবগা লোয়ননা হীরমসিদা এক্সপরিএন্স লৈবা), গ্রেদ ফোর ১ (ক্লাস টেন) অমসুং খিদমটগর ১ (ক্লাস টেন) নি হায়রি।

লৌগদৌরিবা পোষ্ট মঙামক অন রিজার্ভ ঙাক্তনি হায়বগা লোয়ননা লৌবগী মওংনা *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

অঙাং ১ কিদনেপ তৌরগা থা ৮ লোৎশিন্দুনা থম্লকপা নুপী ১ জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : সেরৌ অৱাং লৈকায়দগী হৌজিক্লা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈরবা নিংথৌজম রোসন (২৩) অপোকপা এন ইবোমচানা মহাক্কী পিক্লিবী মচনুপী (অঙাং) অমা মমাঙ চহীগী নবেম্বর ১২, ২০২০দা কিদনেপ তৌদুনা পুখ্রে হায়বা রিপোর্ট অমা তৌরকপদগী শিংজমৈ পি এসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা ফাদুনা পুলিস কষ্টদিদা থম্লকখিবা যৌদোকসিদা চেন্নবনি হায়বা নুপী অমা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা জেলদা থাজিনখ্রে।

ঙসি কোর্টনা জেলদা থাজিনখ্রবা নুপী অদুগী মমিং খোইস্নাম সঙ্গিতা এলিয়জ নাওবী (৩৫), মপুরোইবা কে ঐচ বিরমনি কৌই, ৱাইথৌ শঙ্গোমশঙদগী হৌজিক্লা চীংনুংকোক মখা লৈকায়দা লৈরবনি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*